ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
HUEIYEN LANPAO
Refreshingly Reliable
হুইয়েন লানপাউ
The messenger of the masses

মণিপুরী লোলবু অসামগী এসোসিএট ওফিসল লেংগ্বেজ ওইহন্নবগী মতাংদা এম ৱাই এফ এনা শীন্দুনা লখিপুর চাপ্রো খুন্দা পাঙথোকখিবা এৱেয়রনেস কেম্পেইনগী শক্তম

AWARENESS CAMPAIGN
FOR INCLUSION OF MANIPURI LANGUAGE
AS AN ASSOCIATE OFFICIAL LANGUAGE OF ASSAM
Organised by
Manipur Youths' Front Assam

লামায় ৫

কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া খুরাই লোকল কাউন্সিলগী মরু ওইবা মেম্বর ওইরম্বা কমরেদ বি শ্যাম শর্মানা লৈখিদবদা পার্টিসিগী ষ্টেট কাউন্সিলগী লুচিংবশিংনা অৱাবা ফোঙদোকপা

লামায় ৫

কোভিদ-১৯গী লাইচৎ ঙাকথোক্লুবা ইতীন কম্প্যুটরাইজ আই টেষ্টিং এন্দ আই ক্যের সেন্টরনা থৌবাল ক্ষেত্রি লৈকায়গী মীওই ৩৫০দা ফেস মাস্ক, হেন্দ সেনিটাইজর য়েন্থোকখিবা

লামায় ৬

ওল্দ কোংবা রোদ য়ুনাইটেদ ক্লব ওর্গনাইজেসন অমদি ইন্দিয়ন রেদ ক্রোস সোসাইটি ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টনা শীন্দুনা কোভিদ-১৯না হৌজিক ওইহল্লক্লিবা ফীভমশিংগী মতাংদা খন্ন-নৈনখিবা

INDIAN RED CROSS SOCIETY
Imphal East District Branch
Conducts
AWARENESS PROGRAMME ON COVID-19
Date : 9 August 2020

লামায় ৩

Vol. 44, Issue No.136 | নিংথৌকাবা, থৱানগী ২২নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ৮ | HUEIYEN LANPAO, | Monday, August 10, 2020, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

কেজ্যুএল্টি, মেটর্নিটি দিপার্টমেন্ট হান্নগুম্না মথৌ পাঙথোকপা হৌরগনি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৯ (ঐচ এন এস) : হেল্থ দিপার্টমেন্টকী মকোক থোংবা ওফিসলশিং অমদি থৌবাল দেপ্যুটি কম্মিস্নারনা খঙহল্লকপা মতুংইন্না দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল থৌবাল অমুক হন্না হাংদোক্নুনা ওগষ্ট ১০গী অয়ুক পুং ১০ তাবদগী কেজ্যুএল্টি অমসুং মেটর্নিটি দিপার্টমেন্টকী ইমর্জেন্সি সর্ভিসশিং হান্নগুম্না মথৌ পাঙথোকপা হৌরগনি। মরম অসিনা দিপার্টমেন্ট অনী অসিগী মেদিকেল ওফিসর ইন-চার্জশিং অমদি সিষ্টর ইন-চার্জশিংনা মথৌ তাবা এরেঞ্জমেন্টশিং তৌননবগীদমক শেম-শানবসু খঙহনখ্রে হায়না থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালগী মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্ট ডো. সী ঐচ মেমচানা থোকখিবা মেমোরেন্দম অমনা খঙহল্লক্লি।

পনবা য়াবদি, থৌবাল দিষ্ট্রিক্টতা কম্যুনিটি ট্রান্সমিসন হৌরকখিবগা লোয়ননা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মীওই কয়া কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরকপদগী থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা কোভিদ ক্যের সেন্টর হাংদোক্নুনা অতোপ্পা মখলগী অনাবশিং লায়েংগী থবকশিং লেপ্পুনা লাকখিবনি।

বীর টিকেন্দ্রজিৎ প্লে লান্থোকচররোই

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৯ (ঐচ এন এস) : কুমজা ১৯৫৯ দগী হৌনা রূপমহল ঠিএটরনা ওগষ্ট ১৩ খূদিংগী ষ্টেট প্লে ওইনা শান্নজবা লীলা বীর টিকেন্দ্রজিৎ প্লে চহী অসিগী ওইনদি কোভিদ-১৯গী লাইচৎনা মরম ওইরগা লান্থোকচররোই হায়না রূপমহল ঠিএটরগী সেক্রেটরি হিদংময়ুম অচৌবা শর্মানা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি। চেরোল অসিনা হায়, বীর টিকেন্দ্রজিৎ প্লে অসি রূপমহলগী ওইনদি খ্বাইদগী তাঙবা অমসুং লেমজনিংঙাই ওইবা ওগষ্ট ১৩ খক্তদা পাঙথোকচবা ইরৈচাশিংদা কথোকচবা লীলা অমনি। চহী অসিদা লীলা অসিবু মীয়ামদা খুদোল তমজবা ঙমদবা রূপমহলগী লাইবক থীবনি। কোভিদ-১৯ লাইচৎ অসিদগী মীয়াম্বু ঙাকথোক্নবা ফ্রন্টলাইনদা মথৌ তৌরিবা মেদিকেল টিমশিং, হেল্থ ৱর্করশিং, পুলিস পর্সনেলশিং অমদি ভলন্টিয়রশিংগী মফমদসু রূপমহলনা তৌবীমল খঙবা উৎচরি হায়নসু চেরোলদুনা ফোঙদোরক্লি।

HL Poll

Q: Hindi lolbu official language oihannabagi pandamda anouba national education policy semlakpani haina loubra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: August 15da Nagagi aroiba waroisin purakpaga mari leinaba wapham ama laothoklagani hairibasi thajaningai oibra?

Yes 15% No 85%

অঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী শাবা ৩৩.৬৫ °C
খ্বাইদগী ঈংবা ২০.৫৪ °C
মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ১৩.৬৮ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৪.৪৬
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৫.৫৩

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

অস! লোইরেহে!

- ৱারল্লনিদা অহলদুগা
- ꯋꯥꯔꯜꯂꯅꯤꯗꯥ ꯑꯍꯜꯗꯨꯒꯥ



- ঙসাই অয়ুক্কী লায়েংশঙ থিবনি, লায়েংদ্রিঙৈ শিদৌরে, সার!
- ꯉꯁꯥꯏ ꯑꯌꯨꯛꯀꯤ ꯂꯥꯏꯌꯦꯡꯁꯪ ꯊꯤꯕꯅꯤ, ꯂꯥꯏꯌꯦꯡꯗ꯭ꯔꯤꯡꯉꯩ ꯁꯤꯗꯧꯔꯦ, ꯁꯥꯔ!

রুলিংসু ওপোজিসনসু পাঙ্গল চাংয়েংগী লাল্লোং য়াৎনদুনা শেম-শানখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৯ (ঐচ এন এস) : ১১শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লীগী হয়েং ফমগদৌরিবা ১১শুবা সেসনগী মাঙওইননা রুলিংসু, ওপোজিসনসু পাঙ্গল চাংয়েংগীদমক লাল্লোং য়াৎনদুনা শেম-শানখ্রে।

এসেমব্লী সেসন অসিদা সিটিং অমখক লৈগনি। মীফম অসিগী য়েংলগা এসেমব্লী সেক্রেটরিয়টকী ষ্টাফশিংসু হয়েং অয়ুক পুং ৯দগী নুংথিল পুং ৫ ফাওবা নৎত্রগা মীফম লোইদ্রিবা ফাওবা ওফিসতা লেংদনা লৈনবা এসেমব্লী সেক্রেটরিনা খঙহনখ্রে। হৌখিবা মীফমশিংদা দুরদর্সননা লাইভ টেলিকাষ্ট তৌরম্বা অদু হয়েং মীফম অসিদদি তৌররোই হায়রি।

মীফম অসিগী মাঙওইননা ঙসি অয়ুক পুং ৯.৩০ তাবদগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা লুচিংদুনা রুলিং পার্টি লেজিসলেচরশিংগী ওইবা মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা বি জে পিগী এম এল এ, লৈঙাক পায়বদা য়াওরিবা এন পি পি, এন পি এফ, তৃণমুল, এল জে পি অমদি ইন্দিপেন্দেন্ট এম এল এ অমদি মিনিষ্টরশিংসু শরুক য়াখি। অদুবু মাঙজৌননা অইবা চেরোল পীরদুনা এন পি এফকী এম এল এ অমদি মীফম অসিদা শরুক য়াখিদ্রে হায়রি।

রুলিং পার্টি লেজিসলেচরশিংগী মীফম অদুনা ওপোজিসন কোংগ্রেসকী মায়কৈদগী হৌজিক লৈরিবা চুংশিন্নবা লৈঙাক অসিগী মথক্তা থাঙ্গৎলকখিবা নো কনফিদেন্স মোসন মায়থীবা পীনবা কুপ্পা খন্ন-নৈনখ্রে। মীফম অদুদা ফ্লোর কোওর্দিনেসনগী মতাংদসু কুপ্পা খন্নখি। লোয়ননা রুলিংগী মায়কৈদগী ট্রষ্ট মোসন মুভ তৌননবা কুপ্পা খন্নখিবগা লোয়ননা লাল্লোং য়াৎথোকখ্রে। হৌখিবা মতম খরসিদা চুংশিন্নবা লৈঙাক শেন্থদা য়াওরিবা এম এল এ, মিনিষ্টরশিংগী মরক্তা তোখায়-তোখায় তান্নবগী মওংদা লৈরুৱবসু ঙসিগী মীফম অদুনা লৈঙাক্কী মায়োক্তা লাকপশিং চপ চানা থেংননবা অমত্তা ওইনা লেপ্পখি। লোয়ননা ওপোজিসন কোংগ্রেসকী মায়কৈদগী পুখৎলক্কদবা ৱাফমশিং চপ চানা থেংনমিন্নবা ৱারেপসু লৌখি হায়রি।

অমরোমদা, কোংগ্রেস লেজিসলেচর পার্টি (সী এল পি)গী মীফম অমা ঙরাং পাঙথোকখ্রবা মতুংদা ঙসি অয়ুকসু বাবুপারাদা লৈবা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবীগী ওফিসল রেসিদেন্সতা অমুক হন্না সী এল পিগী মীফম পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুনা লৈঙাক্কী মথক্তা কোংগ্রেস পার্টিনা থাঙ্গৎলিবা নো কনফিদেন্স মোসন মুভ তৌননবা করি করম্বা লাল্লোংশিং চথুগদগে হায়বদু কুপ্পা খন্ন-নৈনখি।

কোংগ্রেস পার্টিগী মায়কৈদগী থাঙ্গৎলকখিবা নো কনফিদেন্স মোসন অসি পুন্না ৩নি। অনীনা গ্রাউন্দ য়াওবা অদুগা অমনা গ্রাউন্দ য়াওদবা নো কনফিদেন্স মোসননি। কোংগ্রেস পার্টিনা পুখৎখিবা নো কনফিদেন্স মোসন বিজিনেস লিষ্টতা য়াওরি।

ষ্টেটকী ইন্টরেষ্টতা নো কনফিদেন্স মোসন পুখৎপনি : মেঘচন্দ্র

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৯ (ঐচ এন এস) : লমদমসিদা হৌজিক লৈরিবা ইস্যু কয়া অসিগী য়েংলগা ষ্টেটকী ইন্টরেষ্টতা নো কনফিদেন্স মোসন পুখৎপনি হায়না এম পি সী সীগী ৱাঙাংলোয়সু ওইরিবা এম এল এ, কে মেঘচন্দ্রনা ফোঙদোকখ্রে।

কোংগ্রেস লেজিসলেচর পার্টি (সী এল পি)গী মীফমদা শরুক য়ারুরবা মতুং এম এল এ, কে মেঘচন্দ্রনা হায়খি, হৌজিক লৈরিবা চুংশিন্নবা লৈঙাক অসিগী মথক্তা কোংগ্রেস পার্টিনা থাঙ্গৎলিবা নো কনফিদেন্স মোসন অসি পুন্না ৩নি। অনীনা গ্রাউন্দ য়াওবা অদুগা অতোপ্পা অমনা গ্রাউন্দ য়াওদবা নো কনফিদেন্স মোসননি। গ্রাউন্দ য়াওবসিনা সী এল পিগী লুচিংবা ওক্রম ইবোবীনা মুভ তৌগনি। মোসন অসি মরুওইনা ময়াই কাবা দ্রগকী কেসশিংদা লৈঙাক্কী হায় প্রোফাইলদা লৈবা লুচিংবা কয়া অমদি পুলিস ওফিসর কয়া চেন্নরকপসিনা মরম ওইরগা হায়রিবা দ্রগকী কেসশিং অসি সী বি আইদা শীন্নবীয়ু হায়বা গ্রাউন্দদা য়ুম্ফম ওইরগা পুখৎপনি।

অদুগা এম এল এ জয়কিষন অমসুং এম এল এ মেঘচন্দ্র মশানা মুভর ওইরগা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা লুচিংবা কাউন্সীল ওফ মিনিষ্টরশিং অসিদা থাজবা থমদ্রে হায়না নো কনফিদেন্স মোসন পুখৎপনি।

ষ্টেট অসিদা নোংমা কাংদনা ময়াই কাবা দ্রগ কয়া ফাগৎলি। দ্রগকী কেসশিং অসিদা গভর্ণমেন্টকী হায় প্রোফাইলদা লৈবা মীওই কয়াসু চেন্নে হায়বগী ৱাফম লাক্লি। হন্দক্তসু লুৱাংশংবমদগী ময়াই কাবা হিদাক মনাগী পোৎলমশিং ফাখিবা থৌদোক অদুসু লোৎশিন্নখ্রে। ফাখিবা পোৎলমশিং অদু আই আর বিগী পর্সনেলশিংনা এস্কোর্ট তৌরগা পুরকখিবনি হায়না ফোঙদোক্লুরকখিবা লৈখ্রবনি।

কোভিদ-১৯গী লাইচৎ অসি থেংননবা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা কুপ্পা খন্ননবা এসেমব্লী মীফম অসি নুমীৎ নীনি ফাওবদি চথুহনবীয়ু হায়বদসু য়াদে। হৌখিবা মতমশিংদা পাঙথোকখিবা এসেমব্লী মীফম দুরদর্সনগী খুথাংদা লাইভ টেলিকাষ্ট থারম্বদুসু থাররোই হায়রি। মতৌ অসিদি লৈঙাক্না ট্রান্সপরেন্সি লৈহন্দ্রে হায়বা তাক্লে। কোভিদ-১৯ থেংনবদা ফ্রন্টলাইনদা লৈরিবা হেল্থ ক্যের ৱর্করশিংদা সবষ্টেন্দর্দ ওইবা প্রোটেক্টিভ গিয়ার সপ্লায় তৌরম্বগী ৱাথোক কয়াসু লৈরিবনি। লৈবাক্কী তশেংনা খল্লে হায়রবদি নো কনফিদেন্স মোসন অসিদা মীহুৎশিংনসু সপোর্ট তৌবীয়ু। হৌজিক হৌজিক কোংগ্রেসকী এম এল এ ২৪ লৈরি। হ্বিপ চলাইখ্রবনিনা এম এল এশিং অসি কোংগ্রেসকী মোসনদা লেপ্পক্কনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

এম য়ুগী ভাইস চাঞ্চেলর পোষ্টকীদমক ঐচ আর দি মিনিষ্ট্রিনা স্ক্রিনিং টেষ্ট পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৯ (ঐচএনএস) : গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মিনিষ্ট্রি ওফ হ্যুমেন রিছোর্স দিভলপমেন্ট (এম ঐচ আর দি) গী দিপার্টমেন্ট ওফ হায়র এদ্যুকেসনগী দেপ্যুটি সেক্রেটরি সুরট সিংহনা ফেব্রুৱারী ২১, ২০২০দা থোকখিবা ওর্দর (নম্বর এফ. নম্বর - ৩০-০৬/২০১৮ - সেন্ট্রেল য়ুনিভর্সিটি ৪) গী মতুংইন্না মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ভাইস চাঞ্চেলর (ভি সী) ওইরকখিবা প্রোফেসর অদ্য প্রসাদ পান্দেবু দিসমিস তৌখ্রবা মতুংদগী মহৈকোল অসিগী হাঙদুনা লৈরল্লিবা পোষ্ট অসি মেনশিন্নবগীদমক এপ্লাই তৌরকপা কেন্দিদেট (এপ্লিকান্ট) শিংগী স্ক্রিনিং টেষ্ট পাঙথোকখ্রে হায়রি।

পাউচে অসিনা থাজবা য়াবা মফমদগী ফংবা পাউনা হায়বদা কেন্দিদেটশিংগী স্ক্রিনিং টেষ্ট তৌবগী থবক অসি এম ঐচ আর দি অসিনা থাসিগী ৭তগী হৌরক্লগা ঙরাং ফাওবদা নুমিৎ নীনি চুপ্পা পাঙথোকখিবনি হায়রি।

মণিপুরগী খ্বাইদগী চাউবা সেন্ট্রেল য়ুনিভর্সিটি অসিগী য়াম্না মরু ওইবা পোষ্ট অসিগীদমক লৈবাক অসিগী মফম পূম্নমক্তগী এপ্লিকান্ট ১৯০ রোম্না মখোয়গী এপ্লিকেসনশিং মিনিষ্ট্রি অসিগী ওথোরাইজ ওফিসল অমদা পীশিন্নরক্তুনা এপ্লাই তৌরকখি হায়রি। মিনিষ্ট্রিনা পোষ্ট অসিগীদমক এপ্লিকেসনশিং লৌশিল্লবা মতুংদা মসিগী স্ক্রিনিং টেষ্ট অসি পাঙথোকখিবনি। নুমিৎ নীনি চুপ্পা পাঙথোকখিবা টেষ্ট অসিদা য়াল্লবা কেন্দিদেটশিং অসিগী মনুংদগী মীওই ২৪ শোর্ট লিষ্ট তৌরে অদুগা মসিগী মনুংদনা মণিপুরদগী এপ্লাই তৌখিবা কেন্দিদেট তরুক য়াওরে হায়রি।

পাউ অসিনা মখা তানা হায়বদা, স্ক্রিনিং টেষ্টতগী শোর্ট লিষ্ট তৌরল্লবা কেন্দিদেটশিং অসিগী ইন্টরেক্সন প্রোগ্রামনা থাসিগী ১৯দা ভিদিও কনফরেন্সিংগী খূথাংদা পাঙথোক্লুবা মিনিষ্ট্রিনা থৌরাং তৌখ্রে হায়রি।

মহৈকোল অসিগী ভি সীগী পোষ্টকীদমক পাঙথোকখ্রে হায়রিবা

...মখা লামায় ৩ কলম ৭

কোভিদ-১৯গা লান্থেংনবদা ইন্দিয়াগী ডোক্টর ১৯৬ লৈখিদ্রে

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ০৯ (এজেন্সী): কোভিদ-১৯গা লান্থেংনবদা ইন্দিয়াগী ওইনা হৌজিক ফাওবদা ডোক্টর ১৯৬ লৈখিদ্রে হায়না ইন্দিয়ন মেদিকেল এসোসিএসন (আই এম এ) না ফোঙদোকখ্রে।

আই এম এনা খোমজিনবা দেটা মতুংইন্না লৈবাক অসিগী তোঙান-তোঙানবা মফমদা লৈরিবা মীওই অয়াম্বনা হকচাং ঙল্লক্তবা অমসুং লাইহৌ হৌরকপা মতমদা খ্বাইদগী ইহান হান্না লায়েংবা চৎলিবসি জেনরেল প্রাক্টিস্নরশিংগী মনাক্তনি। মরম অদুনা জেনরেল প্রাক্টিস্নর কয়ামরুম কোভিদ-১৯ পোজিটিভ

...মখা লামায় ৩ কলম ৬

এন্টিসিপেটরি বেল প্রেয়র তৌরকখিবা ইরেন্দ্রো লৈচোম্বম পুলিসনা ফাজিনখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৯ (ঐচএনএস) : মমাঙ থাদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী মায়কৈদগী পোরোম্পাৎ পুলিস ষ্টেসননা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখিবা রেগ্যুলর কেস অমগা মরী লৈননা হায়কোর্ট ওফ মণিপুরদা এন্টিসিপেটরি (প্রি-এরেষ্ট) বেল পীবিনবা প্রেয়র তৌরকখিবা পীপলস রিসর্জেন্স এন্দ জষ্টিস এল্লাইয়েন্স (পি আর জে এ) গী কনভিনর ইরেন্দ্রো লৈচোম্বম (৩৭) অপোকপা রঘুমনি লৈচোম্বম, থাংমৈবন্দ হিজম দেৱান লৈকায় অতোপ্পা মীওই অমগা লোয়ননা পুলিসনা ফাজিনখ্রে।

কুমজা ২০১৭তা পাঙথোকখিবা ১১শুবা মণিপুর ষ্টেট এসেমব্লি ইলেক্সনদা ৯-থাংমৈবন্দ এ সীদা মীরেপ ওইখিবা ইরেন্দ্রো লৈচোম্বমগা কোন্ননা পুলিসনা ফাজিনখিবা মীওই অদুগী মমিংনা লেৱিস সলাম কৌই। মশাগী চহী ২৪ রোম শুরে। মহাকসু থাংমৈবন্দ হিজম দেৱান লৈকায়দগী সলাম বিহারিগী মচানুপানি।

মখোয় অনী পোরোম্পাৎ পি এসনা লৌখৎপা কেস এফ আই আর নম্বর - ১৪১(৭)২০২০ অন্দর সেক্সন ১২৪-এ/১৫৩/৫০৫ ইন্দিয়ন পেনাল কোদকী মখাদা ফাজিনখিবনি হায়রি।

থৌদোকসিগী মতাংদা ইরেন্দ্রো লৈচোম্বমগী ইমুংগী মীওই অমনা পাউচেসিদা ফোঙদোকখিবদা মহাক ঙসি অয়ূক পুং ১০ রোম তারকপদা ক্বারন্টিন তৌদুনা লৈরকখিবদগী ময়ূমদা হেক চঙলকপগা মফি-মরোল ফাওবা হোংদোকপা নংদ্রিঙৈদা পোরোম্পাৎ পি এসকী ওফিসর অমনা লুচিংলকখিবা টিম অমনা ফারগা পুখিবনি। মহাক নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা দিল্লিদগী হল্লক্লুবা মতুংদা হোটেল অমদা সেল্ফ ক্বারন্টিন তৌদুনা লৈরকখিবনি। অদুগা ঙসি ক্বারন্টিনগী মতম লোইরদুনা ময়ূমদা হল্লকখিবনি হায়রি। মহাকপু পুলিস টিম অদুনা লাক্তুনা ফারবা মতুং পুদুনা চৎখিবা মতমদা পুলিসকী মায়কৈদগী ছর্স মেমো নৎত্রগা এরেষ্ট

...মখা লামায় ৩ কলম ৪

এন এস সী এন (কে) ফেক্সন অমা ৱারী শানসি হায়বদা য়ারকখিদ্রে

দিমাপুর, ওগষ্ট ০৯ (এজেন্সী): নাগা নেসনল পোলিটিকেল গ্রুপস (এন এন পি জি) গী ৱার্কিং কম্মিটিনা ইন্দো-নাগা পিছ টোকতা শরুক য়ারক্লবা হায়বদা নিমলাংনা লুচিংবা এন এস সী এন (কে) কাঙলূপনা য়াখিদ্রে।

হীরম অসিগী মতাংদা এন এস সী এন (কে) কাঙলূপ অসিগী মিনিষ্ট্রি ওফ ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটিনা থাদোরকখিবা চেরোল অমা পল্লদুনা এজেন্সিগী পাউনা হায়, করিগুম্বা ৱাফম খরদা য়ানবা ঙমখিদবা মরম্না নাগাগী অরোইবা ৱারোইশিন পুরক্লবগী ৱারী শানবদা শরুক য়াখিদবনি। অদুম ওইনমক এন এস সী এন (কে) কাঙলূপ অসিনা নাগা মীয়ামগী সোভরেন পোলিটিকল রাইট ফংহন্নবা মখা তানা লেপখিগনি হায়রি।

পনবা য়াবদি, নাগা মাদরস এসোসিএসন (এন এম এ) না নাগাগী অরোইবা ৱারোইশিন পুরক্লুবা হোৎনবদা মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিদা অইবা চেরোল থাখ্রবনি।

প্রাইম মিনিষ্টরদা থাখিবা চেরোল অমদা এন এম এনা হায়খি, তোঙান তোঙানবা নাগাশিংগী লূপনা অরোইবা ৱারোইশিন অমা পুরক্লুবা থৌরাং লৌখৎতুনা লাকখি। অদুবু নাগালেন্দগী গভর্ণরসু ওইরিবা পিছ

...মখা লামায় ৩ কলম ৪

অশানমল পীদবগী য়ূম্বুনা তান্থোরক্লবা মীওই ১০ লৈফম লৈতবদগী অৱাবা কয়া মায়োক্নরে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৯ (ঐচ এন এস) : মনিপুর য়াওনা মালেম শিনবা থুংনা কোভিদ-১৯গী লায়না লাইচৎনা অচৌবা চৈথেং পীদুনা লৈবাক কয়াগী ইকোনোমিবু শাথিনা শোকহনবত্তা নত্তনা মীওই লাক্ষ কয়া অশি-অনা থোকহন্দুনা ৱানরিবগী ফীভমশিং য়েংলদুনা লমদম অসিগী লুপ কয়ানসু কাগী ভারা লৌবা, শেন্দোই খোম্বা য়ারোই অমদি মরুপ-মপাং তৌবদা অথিংবা লৈগনি হায়খিবা লৈখ্রবনি। অদুবু ষ্টেট অসিগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা কাগী অশানমল পীদে হায়না য়ূমদগী তান্থোকপিরকপা অমদি শুফম নোমফম লৈতবনা চারা হেনবা মীওই কয়া য়াওনরে হায়না মায়কৈ কয়াগী মীওইশিংনা ফোঙদোক্নরক্লি।

চেক্কী মিষ্ট্রিগী থবক তৌবা, এঞ্জাং-নাপী য়োনবা অমদি তোঙান-তোঙানবা শিনফম কয়াদা থবক তৌবা য়াইরিপোক্তগী মীওই ১০মুক হাট্টা গোলাপটিগী অশানবা য়ূম অমদগী য়ূম মপুনা কা অশানমল পীদ্রে হায়না ঙরাং য়ূম অদুদগী তান্থোকপীরকখ্রে হায়রি। কা অশানমল পীদে হায়দুনা তান্থোকপীরকখ্রবা মীওইশিং অদুগী পোৎচৈ কয়া অমসু অশানমল পীদ্রি ফাওবা লৌবা য়ারোই হায়না শোলোনশিনবিদুনা থম্বিখ্রে। হৌজিক্কী ওইনা লৈফম লৈত্রবা মীওইশিং অদুগী মনুংদা মীওই খরদি মনাক নক্না লৈবা খঙন-চানবা অশানবা য়ূমদা লৈবা মীওইশিংগী মনাক্তা লৈরি। মীওই খরা অমনা হৌজিক ফাওবা লৈফম লৈতবদগী ককঙাওনদুনা লৈরি হায়রি। অশানবা য়ূমদগী তান্থোকপীরকখ্রবা মীওইশিং অদুগী মরক্তা চান-থক্নবা লৈতবদগী চারা হেনবা মীওই কয়া অমসু য়াওরে। মরুওইনা ইমুং-মনুংশিং অদুগী অঙাংশিংগী ফীভম য়েংবদা য়াম্না নুংঙাইতবা ফাওই হায়নসু মনাক নকপদা লৈবা নুপী অমনসু পাওচে

...মখা লামায় ৩ কলম ৭

‘রেদ জোনশিংদা নুমিৎ ১৪নি লোকদাউন তৌবা মথৌ তাই’

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৯ (ঐচএনএস): মণিপুর শীনবা থুংনা লোকদাউন তৌবগী মহুত্তা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ লাকশিন্নবগীদমক ষ্টেট অসিগী রেদ জোন/এরিয়া খক্তদা নুমিৎ ১৪নি চূপ্পা কমপ্লিট লোকদাউন তৌবা মথৌ তাই হায়না অখঙ অহৈশিংনা ফোঙদোরক্লি।

পব্লিক হেল্থ স্পেসলিষ্ট/রিটায়র্দ প্রোগ্রাম ওফিসর ৮না থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, মপান লৈবাক্তা চৎলুবগী ত্রাভেল হিষ্ট্রি লৈতবা মীওই কয়া কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরকপা মরম্না লায়না লাইচৎ অসি কম্যুনিতি ত্রান্সমিসনগী থাক য়ৌরে হায়না লৌবা য়াই।

মণিপুরদা কেস মশীং কা হেন্না য়ামখৎলকপগী মরম পীরদুনা হান্নগী হেল্থ দিরেক্টর ডো. টি ঐচ সুরেস, জেনিমসকী কম্যুনিতি মেদিসিন দিপার্টমেন্টকী রিটায়র্দ প্রোফেসর ডো. এল শান্তিকুমার, দব্লিয়ু ঐচ ওগী প্রোগ্রাম স্পেসলিষ্টসু ওইরিবা রিটায়র্দ ষ্টেট মলেরিয়া ওফিসর ডো. ইবোচৌ, রিটায়র্দ সী এম ও ডো. এস সুকুমার, রিটায়র্দ ষ্টেট মলেরিয়া ওফিসর ডো. ঐচ নিমাইচান্দ, রিটায়র্দ ষ্টেট টি বি ওফিসর ডো. এ কে খম্বা, পব্লিক হেল্থ স্পেসলিষ্ট ডো. ঐচ প্রিয়োকুমার অমসুং রিটায়র্দ দিষ্ট্রিক্ট এইদস ওফিসর ডো. এ এস ফেলিক্স খটিংনা খূৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ষ্টেটকী মফম শীনবা থুংনা লোকদাউন তৌদ্রবসু খুদোংথিনীংঙাই ওইবা মফম খরখক্তা নুমিৎ ১৪নি চূপ্পা কমপ্লিট লোকদাউন তৌবা মথৌ তাই। কন্টেনমেন্ট এরিয়াশিংদা নুমিৎ ৫নিদগী ৭নি ফাওবা কান্নরগা অনীরক হন্না য়ূমথোং

...মখা লামায় ৩ কলম ৫

হৌখিবা পুং ২৪দা মীওই ১১৮ পোজিটিভ ওইরক্তুনা মণিপুরদা কোভিদ ১৯গী অপূনবা কেস মশীং ৩৭৫৩ য়ৌরে, ১১৭ দিসচার্জ তৌখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৯ (ঐচ এন এস): মণিপুরদা হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা মীওই ১১৮ পোজিটিভ ওইরক্তুনা কোভিদ-১৯গী অপূনবা কেস মশীং ৩৭৫৩ য়ৌরে।

কোভিদ-১৯ কম্মন কন্ত্রোল রুমগী স্পোক্সপর্সনসু ওইরিবা হেল্থ দিপার্টমেন্টকী এদিসনেল দিরেক্টর ডো. খোইরোম সশীকুমার মঙাংনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, হৌখিবা পুং ২৪দা নৌনা পোজিটিভ ওইরকখ্রবশিংগী মনুংদা জেনরেল পোপ্যুলেসনগী ৯০ অমসুং সেন্ট্রেল আর্ম পুলিস ফোর্স (সী এ পি এফ) কী পর্সনেল ২৮নি।



জেনরেল পোপ্যুলেসনগী ওইনা নুপা ৬৩ অমসুং নুপী ২৭ পোজিটিভ ওইরকখি। রিমসকী ভি আর দি এলদা কেস ১৮, জেনিমসকী ভি আর দি এলদা কেস ৭৮, ববিনা দাইগ্নোষ্টিক্তা ২, ইম্ফাল ৱেষ্ট আর এ টিদা ১, দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল জিরিবামদা ১, দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল উখ্রুলদা ৫, রাজ মেদিসিটিদা ১, ইম্ফাল ইষ্ট আর এ টিদা ১, থৌবাল আর এ টিদা ৯, সিজ হোস্পিটালদা ১, দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল তমেংলোংদা ১নি।

দিষ্ট্রিক্ট-দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী ১০, থৌবালগী ১৩, উখ্রুলগী ১, সেনাপতিগী ৫, চান্দেলগী ৯, চুড়াচান্দপুরগী ১২, ইম্ফাল ইষ্টকী ২৮, কাংপোকপীগী ১১, জিরিবামগী ১নি। জেনরেল পোপ্যুলেসনদা নৌনা পোজিটিভ ওইরকখ্রবশিংগী মনুংদা মীওই ১৯দি অতোপ্পা ষ্টেটশিংদগী হল্লকখিবা ঙাক্তনি। হায়রিবা মীওইশিং অদুগী মনুংদা ইম্ফাল ইষ্টকী ২, কাংপোকপীগী ১১, সেনাপতিগী ৩, চুড়াচান্দপুরগী ১, ইম্ফাল ৱেষ্টকী ১ অমসুং জিরিবামগী ১ য়াওরি।

অতোপ্পা মীওই ৭১ অদুদি মপান্দা চৎলুবগী ত্রাভেল হিষ্ট্রি লৈতবা মীওই ঙাক্তনি। নৌনা পোজিটিভ ওইরকখ্রবা

...মখা লামায় ৩ কলম ২

ꯈꯪꯍꯟꯖꯕ/খঙহঞ্জবা

কোভিদ-১৯গী লাইচৎ অসিগা মরী লৈননা হুইয়েন লানপাউনা খুদোংচাবা খরা মীয়ামদা পীজরি।

- লুপা ৫০০/- দগী ১০,০০০/- গী মনুংদা লৈবা এদভর্টিজমেন্ট হাপ্পীরকপা মীওইশিংদা মাস্ক, হেন্দ গ্লোব অমদি হেন্দ সেনিটাইজরনচিংবা পীজগনি।
- লুপা ১০,০০০/- গী মথক্তা লৈবা এদভর্টিজমেন্ট হাপ্পীরকপা মীওইশিংদা পি পি ঈ কিট অমমম পীজগনি।

NB: ওফর অসি ওগষ্ট ৩১ ফাওবা চৎনগনি।

HL-C/170/1-31/8

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫